**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-10.2024)**

**খুৎলায় (এল)ঃ** উখ্রুল জিলাদা হন্দক্তা খুল অনিগী মরক্তা ইরাং থোরকখ্রবা মতুং উখ্রুল পুলিস ষ্টেসনদগী মীয়ামনা লাকখিবা নোংমৈ ২০ গী মনুংদা ঙসি নোংমৈ ১৬ রোম পীশিল্লকখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেনা হায়-উখ্রুল পুলিস ষ্টেসনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুৎলায়শিং অদু দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কেঙু জ্রিংলা, আই.জি-আই.কে. মুইভা, দি.আই.জি.-ৱারঙম নিংশেল, থারতি সিক্স অসাম রাইফলসকী ব্রিগেদিয়ার-সন্দিপ, উখ্রুল এস.পি-কারতিক মালাদি য়াওবা থৌরম অমদা খুৎলায়শিং অদু খুৎশিন্নখিবনি।

উখ্রুল পুলিস ষ্টেসনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা আই.জি-আই.কে. মুইভানা হায়-পুলিস ষ্টেসন অসিদগী মাংখিবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফংনবা সরকারনা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথখিগনি। মাংখিবা খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকবা হোৎনবদা সিভিল সোসাইতিশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংবুসু মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি।

খুল অনিগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদগী ইরাং থোকখ্রবা মতুং নুমিৎ হুমনিগী মতুংদা মফম অদুদা মহৌশাগী পুন্সিদা তপা তাপা শান্তি হনজিল্লক্লি। অদুমওইনমক, ইন্টরনেটতি মখা তানা থিংজিল্লি। মফম অদুদা অয়ুক পুং ৮ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা জিলা অসিগী হুনপুং অমসুং হুনবুংগগী মরক্তা লমগী মতাংদা চয়েৎনবা থোরকপদগী নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা মীওই মরি লৈখিদবনি, কয়া অমনা অশোক অপন নংখিবনি।

**খুৎলায় (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ককচিং জিলাগী হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাবগাই নাতেখোং অমসুং তুরেলমৈদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে।

**ঐখোয়গী ককচিং পাউমী-নোংথোমাইথেম ভাবেশ্বরনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়**-মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা চেং বোড়া অহুমদা হাপ্তুনা থল্লম্বা খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখিবনি। খুৎলায়শিং অদুদি-মেগজিন য়াওবা করবাইন অহুম, ইয়ার গন রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, দিনোনেটর য়াওদাব গ্রেনেদ ১৬, ফিফতিৱান এম.এমগী মোটার অমা, কিলোগ্রাম মঙারোমগী আই.ই.দি , দিটোনেটর মরি, টিয়ার স্মোগ সেল তরুক, এন্টি রাইৱওট রবর বুল্লেট অনি, স্তিংগর কারট্রিজ অমা, ট্যুব লোঞ্চর অনি, নোংমৈ মরুশিং, পোকখায়বা য়াবা অমদি অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমলে। হীরম অসিগা মরী লৈননা হিয়াংহলম পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎলে।

**ৱিক(এল)ঃ** ৱাইল্ড লাইফ ৱিক্কা মরী লৈননা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা মহৈরোইশিং অমদি মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা ঙসি ককচিং বজারদগী ককচিং লমখাইদা লৈবা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিস ফাওবা চৎখ্রে।

ৱাইল্ড লাইফ কঞ্জারভেসন থ্রু কো-এগজিসটেন্স হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা ৭০ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা চৎখিবা রেল্লি অদু ককচিং বজার ইবুধৌ নাউহল্লাই মমাংদগী জিলা অসিগী এম.এল.এ. ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা লমথাখি।

লমলক্কী শা-উচেক কনসি, উমং কনসি, উপাল-ৱাপাল য়ানথৎকুমসি হায়বনচিংবা প্লে কার্ডশিং পুদুনা খোঙচৎ অদু চৎখি।

অমরোমদা, ৱাইল্ড লাইফ ৱিক পালনগা মরী লৈননা হয়েং অয়ুক সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা মনিপুর ফোরেষ্ট

ত্রেন্নিং স্কুলদগী ইরোইশেম্বদা লৈবা মনিপুর জ্লোজিকেল গার্দেন ফাওবগী সাইকল রেল্লি অমা পাঙথোক্কনি।

**ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ** প্রোটেক্ট অৱার প্লানেট-সেক্যুর অৱার ফ্যুচর হায়বা হীরমদা রাজ্য থাক্কী ইনভাইরোনমেন্টকী মীফম অমা ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা আই.আই.আই. টি. হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টুদেন্টস ফোর দিবলপমেন্ট, এ.বি.ভি.পি. মনিপুর ষ্টেট য়ুনিট, লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতি, ইনভাইরোনমেন্ট ইকোলোজি এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগ অমসুং আই. আই.আই.টি মনিপুরনা থৌরম অদু পুন্না শিনবনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা এল.দি.এগী চেয়ারমেন-এম. অশ্বিনি কুমারন হায়-মীওইবা খুন্নাইনা হৌজিক খ্বাইদগী চাউনা মায়োকরিবা অসি ক্লাইমেট চেঞ্জনি। ক্লাইমেট চেঞ্জনা মফম অমগী ইকো সিষ্টেম, শেন্মীৎলোন অমসুং জাতিশিংবু চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লি। মরম অদুনা মসিবু অমত্তা ওইনা পুন্না থেংনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

**অকাশবানি(এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী জেনরেল এনাউন্সর লৌবগী অইবা চাংয়েং হয়েং-নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্লগনি। কেন্দিদেটশিংনা মশা মশাগী এদমিট কার্ড লোয়নরগা অয়ুক পুং ১০ মখায় ফাওবদা মশা মশাগী পরিক্ষা সেন্টরশিংদা য়ৌরক্লনবা খঙহল্লক্লি। এদমিট কার্ড য়াওরক্তবশিংনা পরিক্ষা থাবা য়ারোই।

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরগী মফম কয়াদা হয়েং ফাওবা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী চেরোল অমনা হায়-তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট,

উখ্রুল, কামজোং, থৌবাল, ককচিং অমসুং তেংনৌপলগী মফম কয়াদা ঙসি অমসুং হয়েং অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি।

জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলগী মফম কয়াদা হয়েং অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। তুরেলশিংগী মরূদা নোং চুবনা মরম ওইদুনা ইম্ফালদা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেলশিংগী ইমায় হান্নদগী খরা হেনগৎলে।

ককচিং জিলাগী মফম কয়াদা হৌজিক ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরি। জিলা অসি ফাওদুনা চেল্লিবা সেকমাই তুরেলগী ইমায় খরা হন্থরবসু খরুংপাৎকী ঈশিং ইমায় ৱাংখৎলক্লি।

**ঐখোয়গী ককচিং পাউমী-নোংমাইথেম ভাবেশ্বরনা হায়**-ৱাবগাই তেরা উরক, ৱাবগাই থিংঙেল লৈকাই, ৱাবগাই মাইরেম্বম, কৈরক, ককচিং খুনৌ মনিং লৌকোলশিংগী মফম কয়াদসু হৌজিক ঈশিং থুমজিল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা ঙায়োক ফার্মশিং অমদি লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমগী মতুং ইন্না অৱাং নোংপোক অমসুং খা ভারতকী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুখিগনি হায়রি।

মনিপ্র, অসাম, মেঘালয়া, অরুনাচল প্রদেস, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা, সব-হিমালয়ন ৱেষ্ট বেঙ্গোল অমসুং সিক্কিমদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ময়াই ওইরপ্পদগী য়ামা কন্না নোং চুগনি। কেরলা, তামিল নাদু, করনাতক, রাইয়লশিমা অমসুং গঙ্গেতিক ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী মফম কয়াদসু নোং চুগনি হায়রি।

**ডে (এল)ঃ** মালেমগী ওজাগী নুমিৎনা লাকপদা ওল ইন্দিয়া ফেদরেসন মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা তাকপী

তন্বীরিবা ওজাশিংবু ইকায় খুমবা উৎলক্লি।

চেরোল অমদা এ.আই.এস.এফনা হায়-ওজাশিংনা অনা অয়েক য়াওদনা খুন্নাই অসিগী অফবা মহৈরোই কয়া অমা পুথোক্তুনা অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎলকপদা ওজাশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী দি.সি. ওফিসতা ঙসি কিষান সমেলন পাঙথোকখ্রে। লৌউ শিংউ, ফিসরি অমসুং এনিমেল হসবেন্দরি বিভাগশিংগা লোয়ননা জিলা অদুদা মথৌ তৌরিবা বি.দি.ওশিং অমসুং কে.ভি.কেশিংগা ৱেব কাষ্ট তৌদুনা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি। সমেলন অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, পি.এম. কিষানগী বিনিফিসরিশিং মশিং হেনগৎহনবনি।

**এআর (এল)ঃ** মনিপুরগী মফম কয়াদা হৌজিক দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা থৌবাল জিলাগী সঙ্গাইয়ুম্ফমগী মফমশিংদা কাং হিদাক কাপথোকখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিনদুনা নোনে জিলাগী বেরিং বেপটিস একাডমী-খুমজিদা লাই য়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। চাংদমবা অদুদা একাডমী অসিগী মহৈরোই ১৫০ রোমা শরুক য়াখি।

ভারত লান্মীনা শিনদুনা য়ুথ ইম্পৱারমেন্ট প্রোগ্রাম অমা তেংনৌপল জিলাগী মোরেদা লৈবা সেন্ট জোরস স্কুল অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী কোইরেঙ্গৈদা লৈবা মনিপুর পাব্লিক স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মহৈরোই ৩০০ রোমনা শরুক য়াখিবা থৌরমশিং অদুদা মহৈরোইশিং হকচাং ফনা, লৌশিং গ্যান লৈগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা থৌরমশিং পাঙথোকখি হায়রি।

**ককচিং (এল)ঃ** কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী কলচরেল ফঙ্কসন অমসুং প্রদক্সন গ্রান্ট স্কিমগী মখাদা নোর্থ ইষ্ট কলচরেল ফোরম-লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকাহনা

শিনদুনা ককচিংদা লৈমা জগোই, মাও জগোই, চালি জগোই অমসুং ধোললোগ চোলোনগী ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অসিগা মরী লৈননা প্রদক্সনশিং উৎপগী থৌরম অমা ঙসি প্রাক্তিসিং জ্নিয়ার হায়স্কুল ককচিংদা পাঙথোকখ্রে। মহৈরোই ৫৬ না শরুক য়াখিবা ৱার্কশোপ অসি থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎতা মহৈরোইশিংবু জগোই ঈশৈগী লমদা হেন্না খঙহন্নবা পান্দমদা তাকপী তম্বীবনি হায়রি।

**লাইরিক (এল)ঃ** মনিপুরি লিটরেরি সোসাইতিনা শিনদুনা ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লবতা ‘ইবা কাংলোন’ কৌবা লাইরিক অমা ফোংখ্রে। লাইরিক অসি নবাকুমার নোংমৈকাপ্পমনা ইবনি।

**তেংনৌপল(এল)ঃ** মরিং নাগা বেপটিস এসোসিয়েসনগী নুমিৎ মরিনি চথরকপা চর্চ লুচিংবশিংগী মীফম ঙসি তেংনৌপল জিলাগী মিনৌ বেপটিস চর্চতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা চর্চ ৩১ দগী লাকপা লুচিংবা ৩০০ হেন্না শরুক য়াখি হায়রি।

**রাস্ত্রপতিঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়রি-অৱাং নোংপোক লমদম অসি লৈবাক অসিগী য়ামা মরুওইবা মফম অমনি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-অৱাং নোংপোক লমদম অসি শুপতগী লমদম অমখক ওইবতা নত্তনা মফম অসিদা তোঙান তোঙানবা কালা সংস্কৃত্তি, মহৌশাদগী চৎনরক্লবা নাৎ অমদি মহৌশাগী ফজবনা থল্লবা লমদম অমনি।

মহাকা হায়-লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা কালা সংস্কৃত্তি, মখল কয়াগী চিঞ্জাক অমদি মহৌশাগী ওইবা হেরিটেজ অসিনা মীপুম খুদিংমক পুকিং শুমহৎলি। হন্দক্তা অসামিজ লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গোইজ ওইনা শকখঙখিবা

অদুগী মতাংদসু মহাকা নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

মেদিয়াগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-মেদিয়াশিংনা অৱাং নোংপোক লমদমগী এম্বেসেদর অমা ওইনা থবক তৌদুনা লমদম অসিগী টুরিজমশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি।

**মীখলঃ** সিট ৯০ লৈবা হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা থাদনখ্রে। ভোট থাদবগী চাং নুংথিল পুং মঙা ফাওবদা চাদা ৬১ গী চাংদা ভোট থাদনখি। ভোট অয়ুক পুং ৭ তগী থাদবা হৌরগা নুংথিল পুং তরুক্তা লোয়শিনখি।

মীখল অসিদা মীরেপ লিশিং ১,০৩১ গী মরাইবক ভোটর কোতি অনি লাখ ৩ না লেপকনি। মীখল অসিগীদমক পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ২০,৬৩২ হাংদোকখি।

তাঙ্কক অহুম থোকা থাদনখিবা জম্ম্ কাশ্মির অমসুং তাঙ্কক অমখক্তদা ঙসি ভোট থাদনখিবা হরিয়ানা বিধান সভাগী ভোট মশিং লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থিগনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মহারাস্ত্রাগী ৱাশিমদগী লুপা কোতি লিশিং ২৩,৩০০ চংনা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং হৌদোকখ্রে। প্রোজেক্টশিং অসি মরুওইনা লৌউ শিংউ অমসুং এন্যিমেল হসবেন্দরিগী লমশিংদনি। প্রধান মন্ত্রিনা পি.এম. কিষান স্কিমগী ১৮ শুবা ইন্সটোলমেন্টসু থাদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফরগী খুৎথাংদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লৌমী কোতি ৯ গা লাখ ৪০ লোমদা লুপা কোতি লিশিং ২০ হেনবগী শেনফম পীথখ্রে।

প্রধান মন্ত্রিনা বনজারা জাতিশিংগী ইনাক খুল্লবা হেরিটেজ অদুবু হরাউ

নুংঙাই ফোংদোকপা ওইনা বনজারা বিরাসদ ম্যুজিয়ম হৌদোকখি। মথোল মরি লৈবা ম্যুজিয়ম অসিদা গেলারি ১৩ লৈগনি। ম্যুজিয়ম অসি বনজারাশিংগী মরমদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবনি। থৌরমদুদা প্রধান মন্ত্রিনা বনজারা জাতিশিংগী য়াইফনবা সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। ৱাশিমদা হেক থুংলবগা প্রধান মন্ত্রিনা বনজারা জাতিগী লুচিংবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরমদুদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহান অমসুং মহারাস্ত্রাগী মুখ্য মন্ত্রি-একনাথ সিন্ধে শরুক য়াখি।

**সিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহারাস্ত্রাগী ৱাশিমদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা কিষান সমেলন পাঙথোকখিবা অদুদা শরুক য়াবা ফংবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

লৌউ শিংউ মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ, ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাই অমসুং ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি-খাশিম বাশুমগা লোয়নননা মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটতগী কেবিনেট অদু সমেলন অদু শরুক য়াখি।

মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রিনা কিষান সমান নিধিগী ১৮ শুবা ইন্সটোলমেন্ট থাদোকখিবা অসিনা লৌমী কোতি ৯ হেনবদা কান্নবা পীবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী য়াংলেন শরূ ওইরিবা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোয়নদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**ফ্লডঃ** বিহারদা নৌনা মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লকপগা লোয়নননা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম লুশিল্লক্লি।

দরভঙ্গা, ইষ্ট চম্পারন, খাগারিয়া অমসুং মুজাফরপুর জিলাদা নৌনা ঈশিং থুমজিল্লক্লি। বাগমতি, কমলাবলন অমসুং অদৱারা তুরেলশিংগী ইমায় পাথোক্কুনা খুঙ্গং কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। জিলা ১৮ গী মীওই লাখ ১৬ হেন্না

ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরি। অমরোমদা, সুপোল, সিতামারহি অমসুং ৱেষ্ট চম্পারন জিলাদা ঈশিংগী ইমায় হন্থরক্তুনা মীয়াম খরমখৈ শাফরে হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রি-নিতিস কুমারনা ঙসি দরভঙ্গাদা চৎতুনা মফম অদুদা চত্থরিবা তেংবাং পীবা, তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পীবগী থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনখি। মহাকা দরভঙ্গাদা লৈবা মীয়ামদা পীগদবা চিঞ্জাক্কী পেকেড শেম্ফমসু য়েংশিনখি।

**ক্রিকেটঃ** নুপীগী আই.সি.সি. টি-টোইন্তি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙরাং নুমিদাং দুবাইদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারত ন্যুজিলেন্দগী মখুৎতা রন-৫৮ দা মায়থিহৌরে।

হান্না বেটিং তৌখিবা ন্যুজিলেন্দনা অপিবা ওভরদা ৱিকেট মরি তুরগা রন-১৬০ লৌখি। ভারতনা ওভর ১৯ দা ৱিকেট পুমমক তুরগা শুপতগী রন-১০২ লৌখি। ভারতকী মথংগী মেটচ হয়েং নুংথিল পুং অহুম মখায় তাবা মতমদা পাকিস্তানগা শান্নগনি। মমাংগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়াগনা থা অসিগী ১৩ দা শান্নগনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়ানা শ্রীলঙ্কাবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখি। হান্না বেটিং তৌখিবা শ্রীলঙ্কানা অপিবা ওভরদা ৱিকেট তরেৎ তুরগা রন-৯৩ লৌখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা ওভর ১৪ বোল অনিদা ৱিকেট মরি তুরগা পান্দম অদু য়ৌবা ঙমখি। হৌজিক ইংলেন্দগা বঙ্গলাদেসকা শান্নরি।